## এল ঈ টিনা য়ু পিগী রাইওট ভিক্টিমশিং রিক্রুট তৌনবা হোৎনরে হায়বা দিল্লি পুলিসনা য়াখিদ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৮ঃ** পাকিস্থানগী টেরর গ্রুপ লাস্কর–ঈ–টোইবানা মুজাফরনগরগী কাঙলুপকী ঈরাংনা শোকহল্লবা নহারোলশিং রিক্রুট তৌননবা হোৎনৈ হায়বা ৱাফম অদু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন এক্সপ্রেসকী পাউ মতুং ইন্না লাস্কর–ঈ–টোইবা (এল ঈ টি)গী থবক তৌবশিংনা উত্তর প্রদেশকী নোংচুপ থংবদা লৈবা মুজাফরনগরগী কাঙলুপকী ঈরাংনা শোকহল্লবা নহারোলশিং রিক্রুট তৌনবা হোৎনরে হায়না ফোঙলকখিবনি।

দিল্লি পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা এল ঈ টিগী মীওইশিংনা কাঙলুপকী ঈরাংনা শোকহল্লবা মুজাফর নগরগী রিলীফ কেম্পশিংদা লাক্লম্মী হায়বগী ৱাফমদি নৈ। স্পিসিয়েল সেলগী কমিশ্নর এস এন শ্রিভাষ্টবনা লাস্কর–ঈ–টোইবাগা শম্নবনি হায়বা লিয়াকট অমসুং জামির ফাগৎখ্রে। মখোয়বু ৱাহং পাউহং চত্থবগা লোয়ননা মখোয়না করি থৌদাং লৌরিবগে হায়বদু য়েংশিল্লি হায়খি।

## আম আদমি পার্টিগী ওফিসতা হিন্দু রক্সাগী থৌমীশিংনা লান্দাখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৮ ঃ** আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গী লুচিংবা প্রসান্ট ভুসননা কাশ্মিরদা লান্মী থম্বগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম্বু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা মীওই ৪০রোম্না পার্টি অদুগী গাজিয়াবাদতা লৈবা ওফিসতা থোমজিনদুনা ওফিসকী পোৎ–চৈ অমাঙ–অতা থোকহনখ্রে।

মীওই ৪০ রোমনা উত্তর প্রদেশকী কৌসম্বিদা লৈবা এ এ পিগী ওফিস অদুদা ফিরালশিং পায়দুনা থোমজিল্লকপগা লোয়ননা ওফিস অদুদা নুঙনা থাজিনখি লোয়ননা স্লোগান কয়াসু লাউখি হায়না পাউগী ওইবা সোর্স অমগী মতুং ইন্না হায়রি।

খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিং অদুনা মিনিট ১৫দগী ২০ ফাওবা পার্টি ওফিস অদুগী মপানদা লৈবা পোৎ চৈশিং মাঙহন–তাকহনবগী থবক চত্থখি। ফিভম অদুদা এ এ পিগী ভোলুন্টিয়ারশিংনা ওফিস অদু থোঙ লোনশিন্দুনা লোৎখি হায়রি।

উত্তর প্রদেশকী পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোক–খিবদা, পুলিসকী অহেনবা খূৎপুশিং মফম অদুদা চঙশিনখ্রে। লোয়ননা খোঙজং অদুদা য়াওরকখিবা মীওইশিং মশক খঙদোক্লবা সি সি



টি ভিগী ফুটেজশিং ইগজামিন তৌখ্রে হায়রি।

খোঙজং চঙশিল্লকখিবশিং অদুনা মখোয় হিন্দু রক্ষ্য সেনাগী মীওইশিংনি হায়না শক তাকচখি। তুংদা ভুষনগী ৱারোল অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা এটেক অদু চত্থখিবনি।

হিন্দু রক্ষ্য সেনাগী থৌমী অমনা এন দি টি ভিদা ফোঙদোকখিবদা প্রসান্ত ভুষননা কাশ্মিরগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুনা মরম ওইরগা এ এ পিগী ওফিসতা এটেক চত্থখিবনি হায়খি।

এ এ পিগী লুচিংবা কুমার বিস্বাসনা ওফিস অদুদা চত্থরকখিবা এটেক অদুবু য়ানীংদবা ফোঙ–দোকখ্রে। মহাক্না মখা তানা থৌওং অদু বি জে পিনা কল্লকপগা লোয়ননা মহাক্কী পার্টিনা লৈবাক শীন থুংনা মপাঙ্গল কনখৎলকপদা মীকাবগী খুদম্নি হায়খি।

কুমার বিস্বাস পার্টি অদুগী সেনিয়র ওইরবা লুচিংবা অমনি। মখোয়গী পার্টি অদুনা ফগৎলকপদা বি জে পিনা খাংবা ঙমদ্রে। বি জে পিনা করি তৌরিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলে। মদু অৱাবগী খুদম্নি। মখোয়না করিগুম্বা পাৱর পায়খিবা থোক্লবদি কনাগুম্বা অমত্তনা ৱা ঙাঙবা য়াহল্লোইদৌরি হায়খি।

আম আদমি পার্টিগী কৌসম্বিদা লৈবা এটেক চত্থখিবা অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা হিন্দু রক্সা দলগী কনভেনর ফারে হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালনা অকনবা মওংদা নিন্দা তৌখিবগা লোয়ননা পার্টি অদুগী ওফিসতা চত্থরকখিবা এটেক অদুগী মরম খঙবা পামদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

বি জে পিগী মথক্তা শীরক্লিবা মরাল অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা বি জে পিগী স্পোক্সপর্সন মুক্তার অবাস নকবিনা হায়খিবদা থৌদোক অদুগী মতাংদা চপ চাবা ফংবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক হৌজিকমক্কী ওইনদি থৌদোক অদুদা ৱায়েল চত্থবগী ৱাফম লৈত্রি। অমনা অমদা মরাল শীনবগী মহুৎ আইনগী ওইবা এক্সন লৌখৎপনা চুমগনি। বি জে পিনা অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদু মঙদা ফাওবা মঙখিদে হায়খি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### তাবদা থাজদবা সনা

*সনাদা মিতাদবা মীওই মালেমদা পংলৈ লৈরমগদবা মান্দে। মসি হৌজিক মতমগী ৱা ঙাক নত্তে। সনাদা ঙাওবা হায়গদ্রা পামজবা হায়গদ্রা, মসিগী ইহুল আ ... থাইনা মমাংঙৈদা লৈখিবজাৎনি হায়বসি আর্কিওলোজিকেল ৱার্কতা ফংলকপা সনানা শাবা পোৎলমশিংদগী খংবা ঙম্মী নৎত্রগা লাৎতুনা থল্লম্বা পোৎশক্তুগী খংবা ঙম্মী। মদুশিংদু খিত্তং য়েংশিনমিন্নসি। টুতানখামেন্স মাস্ক ঃ খৃষ্টগী মমাং ১৪শুবা চহি চাদা এন্সিয়েন্ট ইজিপ্টতা টুতানখামেন হায়বা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। মহাক্না পানখিবা চহি চা কয়াগী মতুং খৃষ্টগী মতুং ইং ১৯২২ দা মহাক্কী মোংফম অদু হোৱার্দ কার্টর হায়বা অর্কিওলোজিষ্ট অমনা তৌদুনা থিজিল্লম্মী। মোংফমদুদা সনা কেজি ১১০.৪ না শাবা কোফিন (কূ) অমা ফংখি। কূদুগী মনুংদা য়াওরম্বা পোৎলমশিংগী মনুংদা সনা কেজি ১০.২৩ না শাবা মীওইবগী মায়থোং (মাস্ক) অমসু য়াওরমখি।*

## মীওই মাপল শিখ্রবা মতুং অসাম সরকারনা সেন্টরদা অহেনবা সেক্যুরিটি ফোর্স পীবিনবা হায়জখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৮ ঃ** ত্রাইবেল–শিংগী মরক্তা কাঙলুপকী ঈরাং থোক্তুনা মীওই ৯গী পুন্সি মাঙখ্রবা মতুং অসাম সরকারনা ফেদরেল ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টতা অহেনবা পেরামিলিটরি সেক্যুরিটি ফোর্স লমদম অদুদা থম্নবা হায়জখ্রে।

কর্বি ত্রাইবশিংনা নাগালেন্দ স্টেটকা তায়নবা কর্বি অংলোং চীংশিংদা মরু ওইনা খুন্দাদুনা লৈরি।

পাউচেশিংদা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কর্বিগী নহাশিংগী অশিবা হকচাং ৯ দিমাপুরগী মফম অমদগী শাথীনা পূমথরবা মওংদা ফংখি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা অসাম পুলিসনা মখা তাবা হিংশাগী থৌদোক থোক্তনবগীদমক অকনবা মওংদা পেট্রোলিং চত্থবগা লোয়ননা কর্বি অংলোংদা লৈবা চ্যেকপোইন্ট–শিংদা অকনবা সেক্যুরিটিগী থবকশিং লৌখৎত্রি।

অসাম স্টেটকী হোম কমিশ্নর জি দি ত্রিপাঠিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অদুদা হৌজিকসু উংখৎনবগী ফিভম লৈরি। সরকার অদুনা উংখৎনরিবা মফমশিং অদুদা মথৌ তৌহন্নবা সেক্যুরিটিগী কম্পনি ২৫ থারক্লবা খঙহনখ্রে। অদুম ওইনমক মদুগী মনুংদা কম্পনি ১০গী হান্ননা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা মথৌ তৌদুনা লৈরিবনি হায়রি।

ত্রিপাঠিনা মখা তানা ফোঙ–দোকখিবদা হৌজিক ওইরিবদি ঈরাং লৈরিবা মফমশিং অদু লাকশিনবনি হায়খি।

নাগালেন্দ স্টেট গভর্ণমেন্টনা নহা ওইরিবা মীওই মাপল হাৎলম্বা থৌদোক অদুদা মরী লৈননা স্পিসিয়েল ইনষ্টিগেশন টীম অমা শেমদুনা থীগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মীহাৎপগী থৌদোক অদুদ এন এস সি এন (আই এম)গী ফেক্সন অমনা থোকহনবনি। হায়রিবা গ্রুপ অদুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৭তা কার্বিঅংলোং লমদমদা কর্বি পীপল্স লিবরেশন টাইগরশিংগা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমা থোকখি হায়রি।

ইজাক মুসকা গ্রুপ্না ভারত সরকারগা চহি ১৫ চুপ্না হেন্না পাক–চাওবা নাগা স্টেট অমা শেম্নবা ৱারী শাদুনা লাক্লি। অনৌবা স্টেট অমা শেম্বা অমসুং নাগাশিংনা খুন্দাবা অসাম, মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী শরুকশিং নাগালেন্দদা পূনশিনবগী ৱাফম য়াওরি। মদু নাগাশিংনা অপূনবা হোমলেন্দ অমা শেম্নবগীদমক ইং ১৯৬৩দগী চঙশিন্দুনা লাকখিবা খোঙজং অমনি হায়রি।

অসাম, মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী সরকার অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লালহৌলুপ অদুনা তাল্লিবা দিমান্দ অদুগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লাকখি। কর্বি অমসুং রেংমা ত্রাইবশিংনা মখোয় মখোয়গী টেরিটোরিগী মতাংদা কাঙলুপকী ঈরাং থোকহন্দুনা মীওই ৩,০০০ লোম হেন্না ময়ূম–মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখি হায়রি।

## মুম্বাই–দেহরাদুন এক্সপ্রেস মৈ চাকপদা মাপল শিরে এক্স–গ্রেসিয়া লাক্ষ মঙা পীরগনি লাউথোকখ্রে

**মুম্বাই, জনুৱারি ৮ ঃ** য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পূং ২.৩০রোম তাবদা মুম্বাই–দেহরাদুন এক্সপ্রেসকী দবা ৩ মৈ চাকপদা মীওই ৯ শিরে হায়বা কনফর্ম তৌখ্রে।

থৌদোক অদু থানে দিষ্ট্রিক্টকী অৱাং থংবা দহানু রোদ ষ্টেশনদা থোকখিবনি হায়না সেনিয়র রেলৱে ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মফম অদুদা চঙশিনখ্রে হায়রি।

রেলৱে মিনিষ্টর মালিকারাজুন খর্গেনা ট্রেন মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী খ্বাইদগী নক্নবা ইমুং–মনুংগী মীওইদা এক্স–গ্রেসিয়া ওইনা লুপা লাক্ষ ৫ /৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। লোয়ননা থৌদোক অদুবু ইনক্বারি চত্থনবসু খঙহনখ্রে।



লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ৫গী মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। মশক খঙখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ৪না নুপা অদুগা অমনা নুপীনি হায়রি। মখোয় মৈ চাকপা অদুনা মরম ওইরগা শ্বর ফূন্দুনা শিখিবনি হায়না দিভিজনেল রেলৱে মেনেজর সৈলেন্দর কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা হকচাংশিং অদুদি কা–হেন্না চাকখিবনা মশক খঙবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখ্রে। মৈ অদু মুখৎপদি ঙমখ্রে। অদুম ওইনমক, দবাশিং অদুগী মনুংদা মৈখু কা–হেন্না লৈবনা মী কনবগী থবক্তা অকায়বা থোকহল্লে হায়রি।

পব্লিক রিলেশন্স ওফিসর ৱেষ্টর্ন রেলৱেগী মকোক শরতচন্দ্রায়ননা হায়খিবদা, গার্দ অমনা মৈ অদু চাক্লে হায়বা খঙলকখি। লোয়ননা খূদক্তা ইমর্জেন্সি ব্রেক চিংখি। মী কনবা কাঙবুশিংনা মৈ চাক্লবা দবা অহুম অতোপ্পা দাবশিংদা শন্দোক্তবগীদমক তোঙান্না খায়দোক্তুনা থমখি।

## ইন্দিয়াগী ওইরিবা ফিভম অসিদা আশা মাঙনিংঙাই লৈতেঃ মনমোহন সিংহ



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৮ ঃ** ইন্দিয়াগী ফিস্কেল গ্রোথ লেভেল অসি মমাঙদগী হৌনা চাদ ৫গী চাং অদুদা লেংদনা লৈরি। মদু মমাঙ চহীদা ওইখিবা ফিভম্নি। অদুগা লাক্কদৌরিবা থাশিংদা ইন্দিয়াগী শেল–থুমগী ফিভম ফগৎলক্কনি হায়না ঙসি ইন্দিয়াদা লৈত্রবা ইন্দিয়া মচাশিংগী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা, ফিভম অসিদা ৱাখল হন্থনিংঙাই লৈতে। অদুগা তুংদা ওইরক্কদবা লৈবাক অসিগী মরাইবক্তসু ৱানিংঙাই লৈতে হায়খি।

ইং ২০০৪ দগী হৌরগা লৈবাক অসিগী শেল–থুমগী ফিভম অসি চাদ ৭.৯ ওইরি। ৱাফম অদু মহাক্না ১২ শুবা প্রভাসি ভারতিয়া দিবাসকী হৌদোকপা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

মমাঙগী চহিশিংদা ওইখিবা ফিভমদগী তপথবগী ৱাফম লৈতে। চাদ ৫গী গ্রোথ রেটতা লৈখিবা ফিভম অদু চৎখিবা চহিদা লোইশিনখ্রগনি। লৈবাক অসিগী লায়রবগী চাং তপ্না তপ্না হন্থরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা, ইন্টরনেশনেল অমসুং লৈবাক অসিগী ওইবা মরম কয়ানা অদুগুম্বা ফিভম অদু ওইহল্লকখিবনি। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী শেল–থুমগী ফিভমদি মপাঙ্গল কন্না লৈরি।

হৌজিক ওইরিবা শেল তুংশিনবা অমসুং ইনভেষ্ট তৌবগী চাং অসি চাদ ৩০গী মথক্তা লৈরি। অদুগা মশানা মশাবু থবক পীজবগী চাং ৱাংখৎলক্লি হায়খি।

ইন্দিয়া মচাশিংনা পোজিটিভ ওইবা ৱাখল খনবগা লোয়ননা তুংদা ওইরক্কদবা ইন্দিয়াগী শেল–থুমগী ফিভমদা শীংনবগা লোয়ননা চাওখৎনবা হোৎনগদবনি।

মমাঙ চহী খরদা ইন্দিয়াগী শেল–থুমগী ফিভম শোকচিনখিবা থেংনখ্রে। মদু ইন্দিয়াদা ওইখিবা রাজনিতিগী ফিভম্ননি হায়খি।

## প্রিয়ঙ্কা গান্ধিগী তুংগী ফিরেপ মশানা লৌজগনিঃ কংগ্রেস



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৮ ঃ** প্রিয়ঙ্কা গান্ধিনা লৌগদবা রোলশিং মহাক মশানা লৌজগনি হায়না কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, লোক সভা মীখলগা মাঙওইননা প্রিয়ঙ্কা গান্ধিনা পার্টি অদুগীদমক অচৌবা থৌদাং অমা লৌরক্কনি হায়না ফোঙদোক্লখিবা ৱাফম অদু য়াবা ঙম্লোই।

পার্টি অদুগী লুচিংবা সন্দিপ সুরজেৱালানা হায়খিবদা, অদুগুম্বা ৱাফম অদুগী মতাংদা কয়ারক হন্না পাউখুম পীখ্রে। রাহুল গান্ধিগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা পার্টি অদুগী সেনিয়র লীদরশিংগী মীফম লোইশিল্লকপদা মহাক্কী মচে প্রিয়ঙ্কানা গান্ধিনা রাহুল গান্ধিগা উন্নখি। মদু মচিন মৌপ্বা তোয়না উন্নদুনতা লাকখিবা ৱাফম অমনি। মদুদা য়াম্না কন্না য়েংশিন্নিংঙাই লৈতে হায়খি।

প্রিয়ঙ্কা গান্ধিনা মৌপ্বানুপাগী য়ূমদা লাকখি। মীটিং অদু চত্থরিঙৈ মনুংদা মহাক্না রাহুল গান্ধিগা উন্নখি। মদু করিমত্তা চয়েৎনবা ৱাফম য়াওদবনি।

সুরজেৱালানা এ আই সি সিদা প্রিয়ঙ্কা গান্ধিনা পার্টি অদুগী মরু ওইবা লুচিংবা অদুগা উন্নবগী মতাংদা ৱাহং হংখ্রে। মদু রাজনিতিগী ওইবা ৱাফমগী ৱাংমদনি হায়খি। মচিন–মৌপ্বা উন্নবদা রাজনিতিগী ৱাফম পুশি–ল্লোইদবনি। অদুম ওইনমক, প্রিয়ঙ্কা গান্ধিসু গান্ধি–নেহরু ফেমিলিগী মরু ওইবা মীশক অমনি হায়খি।

## গাঙ্গুলিবু তাথি–তাওইনা তৌবীরে হায়না মরাল শীখ্রে

**কোলকটা, জনুৱারি ৮ ঃ** হান্নগী সুপ্রিম কোর্টকী জজ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল হ্যুমেন রাইট্স কমিশন্দগী ফম থাদোকখ্রবা এ কে গাঙ্গুলিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অহুম্না শাবা পেনেল অদুনা মহাক্কী মথক্তা শীরিবা সেক্সুয়েল এসোল্ট কেসকা মরী লৈননা তাথি তাওইনা তৌবীরে হায়না মরাল শীখ্রে।

চহি ৬৬ শুরবা হান্নগী সুপ্রিম কোর্টকী জজ অদুনা হায়খিবদা, মহাক জেলদা লৈরবসু মঙোন্দা সেক্সুয়েল এসোল্ট তৌই হায়না মরাল শীরকখিবা লো ইন্টর্ন তৌবী ছাত্রি অদুগী মথক্তা দিফেমেশন কেস থাঙ্গৎকনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা, মহাক্না কনাগুম্বা ছাত্রি অমত্তদা করিগুম্বা অমত্তা তৌখিবা লৈত্রে। মহাক জেলদা চঙখিবা য়াই। অদুম ওইনমক মঙোন্দা মরাল শীরিবশিংগী মথক্তা দিফেমেশন কেস থাঙ্গৎকনি হায়না পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।




## মাওইষ্টকী লুচিংবা অমা মহাক্কী লোয়নবী এ পি পুলিসতা সরেন্দর তৌখ্রে

**হায়দ্রবাদ, জনুৱারি ৮ ঃ** মাওইষ্টকী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং স্পিসিয়েল জর্নেল কম্মিটিগী স্পোক্সপর্সন গুমুদাভেল্লি ভেনকতাকৃষ্ণ প্রসাদ এলাইজ গুদসা উদেন্দি ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অন্ধ্র প্রদেশ পুলিসতা সরেন্দর তৌখ্রে।

ৱারাঙ্গল দিষ্ট্রিক্টকী কে দি ভেন্দি খুঙ্গংদা পোকখিবা চহি ৫৩ শুরবা মাওইষ্ট লুচিংবা অদুনা মহাক্কী লোয়নবী রাজিগা লোয়ননা এন্টি–মাওইষ্ট স্পিসিয়েল ইন্টলিজেন্স ব্রাঞ্চতা চঙজখি হায়বা কনফর্ম তৌখ্রে। মহাক মশানা য়ানা চঙজখিবরা নৎত্রগা ফাখিবরা হায়বদু য়েংশিন্নবা হোৎনরি হায়রি।

পার্টি অদুগী তোঙান তোঙানবা ফমশিং পায়রম্লবা মতুং প্রসাদপু দন্দাকরনয়া স্পিসিয়েল জোনেল কম্মিটিগী স্পোক্সপর্সন অমা ওইনা



চহি মঙাগী মমাঙদা থবক তৌরকখিবনি হায়রি।

প্রসাদনা সরেন্দর তৌখিবা অদুনা মাওইষ্টশিংদা অচৌবা চৈফূ অমা পীরগনি। মাওইষ্টশিংনা খূৎলিংবা ছটিসগরদা পার্টি অদুগী অকনবা থবক থৌরমশিং চত্থদুনা লাকখি। বাষ্টরদা কংগ্রেস লুচিংবা অমগী কনভোয়দা এটেক চত্থদুনা মীওই ২৭ শিহনখিবা থৌদোক অদুদা প্রসাদ মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা মীশক অমনি হায়রি।

ইন্টলিজেন্সকী পাউ মতুং ইন্না প্রসাদ হায়রিবা মীওই অদু মীয়ামদা লমদম অদুগা চানবা মওংদা পাউ শন্দোকপা ঙম্বা, ৱারোল কয়া ফোঙদোকপা অমদি প্রেস রিলীজ কয়া ঈ–মেলগী খূত্থাংদা ফোঙদোকখিবা মরু ওইবা প্রোপেগন্দাগী থবক তৌবা মীওই অমনি।

মমাঙ চহীগী মে ২৫দা কংগ্রেসকী লুচিংবা নন্দকুমার পাতেল অমসুং সেনিয়র লীদর মহেন্দ্র কর্ম অমদি ভি সি সুক্লাগা লোয়ননা মীওই ২৪ হাৎখিবা থৌদোক অদু মহাক্কী পার্টিনা চত্থবনি হায়না ক্লেম তৌরকখিবা মীওই অমনি হায়রি।